# এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌ অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা চথরিবা মরিরকশুবা হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ অন্দর-১৪ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ফাইনেল হয়েং নুংথিল পুং ২.১৫ তাবা মতমদা এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌ অমসুং ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপ অনীনা শান্নরগনি।

টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌনা পোষ্টেরিয়র হোকি একাদেমি মণিপুর (ফাম) ইম্ফাল টাই ব্রেক্তা গোল ৫-৩ দা মায়থীবা পীদুনা এস ৱাই য়ু সী ফাইনেল চঙখিবনি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা ফাম ইম্ফাল ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী নীংবা কায়না লৈহৌখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌ অমদি ফাম ইম্ফালগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা টিম অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্মখিদবগা লোয়ননা মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্কা গোল ৩-৩ চপ মান্ননা চন্নখি।

মেচ অদুগী মায় পাকপা টিম খন্ননবগীদমক টাই ব্রেক্কী কিক্স ফোম পেনালটি মার্কতা এস ৱাই য়ু সী উচেকোন খুনৌগী গোল অনী চন্দুনা মেচ অদু মায় পাকখি। মেচ অদুদা এস ৱাই য়ু সীগী শান্নরোয় এস ঐচ বোরিসনা মেচকী ১৯ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল এস নিকোসন্না চনখি। এম মোরিসনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৫৪ শুবা মিনিটতা চনখি।

টাই ব্রেক্তা টিমদুগী গোল অনী অদু এম মোরিস অমসুং এস ঐচ বোরিসনা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা ফাম ইম্ফালগী গোল অদু এন দত্তনা গোল অনী মেচকী ২০ অমসুং ৫২ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় এ সচিন্না গোল অমা মেচকী ২৭ শুবা মনিটতা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপনা কে ঐচ এস সী খোংমন গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱাই সী সী আই সী ফাইনেল চঙখিবনি। মায়থীহৌরবা কে ঐচ এস সী খোংমন ফাইনেল চঙবা ঙমদনা টুর্নামেন্ট অসিদগী লৈহৌখি।

মেচ অদুদা মায় পাল্লবা ৱাই সী সী আই সী কোন্থা অহল্লুপকী গোলশিং অদু এস ঐচ বিদ্যাচন্দ্রনা গোল অনী মেচকী ২২ অমসুং ৬০ শুবা মিনিটতা চনখি। এস ঐচ বুধিনা গোল অনী মেচকী ২৫ অমসুং ৫৮ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা কে ঐচ এস সী খোংমনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এল মেক্সনা মেচকী ৪২ শুবা মিনিটতা চনখি।

## পোলো টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ৭ লক শুবা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ হয়েংদগী ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা চথবা হৌরগনি।

নুমিৎ ৮ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা পোলো টুর্নামেন্ট অসিদা খুরাই পোলো ক্লব, ইম্ফাল রাইদিং পোলো ক্লব, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বি, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সী, এক্স পোলো ক্লব টিম এ, ইবুধৌ থাংজিং পোলো ক্লব টিম এ, ইষ্টর্ন ষ্টুদেন্ট ক্লব টিম এ, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব টিম এ, ক্রিপসা নাওরেমথোং, কে এন দ এম এম রাইদিং স্কুল টিম এ অমদি মৈরাবা পোলো ক্লবনা শরুক য়ারি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং হৌদোকপগী থৌরমদা ৫৭ মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সী মেজর জেনরেল য়ু সুরেসকুমার, ভি এস এম ৱাই এস এম, মণিপুর ইক্বেষ্টেরিয়ন এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট ডা. এস জয়কুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

হয়েং হৌদোকপা থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুরগী নাৎকী ওইবা শগোল কাংজৈ মশান্না উৎতুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনগদৌরি।

# প্রিতমজিৎনা পিষ্টলগী, মমতানা রাইফলস ইভেন্টকী চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচ এন এস): মণিপুর রাইফলস এসোসিএশন্না শিন্দুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১২ দগী খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জদা চথরকপা অহানবা ৱিন্টর এয়র ৱিপন শুটিং কম্পিটিসন ২০১৭ হয়েং লোইশিল্লগনি।

তোঙান তোঙানবা য়ুনিট মরিদগী লাকখিবা রাইফল শুটর ১৮ অমদি পিষ্টলগী শুটর ৪২ পূন্না শুটর ৬০ না শরুক য়াদুনা চথরল্লিবা কম্পিটিসন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়নগী কম্পিটিসন্দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলসকী প্রিতমজিৎনা পিষ্টলদা অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফলস এসোসিএশনগী আর কে মমতানা রাইফলস ইভেন্টতা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন ওইখি।

পিষ্টলগী ইভেন্টতা ইম্ফাল ইষ্টকী প্রিতমজিৎ মাইবম্না ৪৭/৫০ স্কোর তৌদুনা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন ওইখি। ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী তেঙ্গুবম হেরোজিৎনা পোইন্ট ৪৫/৫০ স্কোর তৌদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখি। রাইফলস ইভেন্টতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী আর কে মমতানা পোইন্ট ৪৯/৫০ স্কোর তৌদুনা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন ওইখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ৱাহেংবম জুলিয়ানা পোইন্ট ৪৭/৫০ স্কোর তৌদুনা চেম্পিয়ন ওফ দ চেম্পিয়ন তাখি।

# নেরোকা এফ সীনা সাউর্দন সমিটি মায়থীবা পীদুনা গ্রুপকী মকোক্তা লৈখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না শিন্দুনা চথরিবা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেচতা নেরোকা এফ সীনা সাউর্দন সমিটি কোলকটা গোল ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

গ্রুপ বিগী ঙসি শান্নখিবা সাউর্দন সমিটিগী হোম মেচতা নেরোকা এফ সীনা মায় পাকখিবগা লোয়ননা হৌজিক নেরোকা এফ সী মেচ মঙা শান্নখিবদা মেচ মরি মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ১২ ফংলগা গ্রুপকী মকোক্তা লৈখ্রে।

নেরোকা এফ সীনা অরোইবা গ্রুপকী লীগ মেচ থা অসিগী ২৫ দা হোম মেচ ওইনা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা মোহম্মদন স্পোর্টিং ক্লবকা শান্নরগনি। গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্লুনা চথরিবা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজন অসিদগী গ্রুপকী ৱিন্নর অমসুং রন্নর টিম অনী অনী খনগৎতুনা লীগ অমুক শান্নদুনা আই লীগ চঙনবগীদমক লম্না তৌনগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা নেরোকা এফ সীগী মায় পাকপগী গোল অদু দেবিদ বগজারানা মেচকী ১৬ শুবা মিনিটতা চনখি।

# খেলো ইন্দিয়াগী জুদোদা মণিপুরনা পূন্না মেদল তরা লৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএনএস): রাজস্থানগী কোনুং জয়পুরদা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১৬ তগী খেলো ইন্দিয়া স্কিমগী মখাদা চথরকখিবা চহী ১৪ অমসুং ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী জুদো মশান্নদা ঙসি মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা গোল্ড মেদল অহুম অমগা লৌখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরনা পূন্না গোল্ড মেদল মঙা, শিলভর মেদল অনী, ব্রোঞ্জ মেদল অহুম ফংখ্রে।

হয়েং ফাওবা চথগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগীদা ঙসি মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা গোল্ড মেদল অহুম লৌবা ঙমখিবনি। মণিপুরগী গোল্ড মেদলশিং অদু ঐচ কেসোরজিৎনা কেজি ৫০ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখি। এন সোমোরজিৎনা কেজি ৫৫ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখি।

নুপীগী চহী ১৭ মখাগী কাঙলুপ্তা টি ঐচ তবাবি দেবীনা কেজি ৪৪ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অদুগী ঙরাং মণিপুরনা গোল্ড মেদল অনী, শিলভর মেদল অনী, ব্রোঞ্জ মেদল ৩ পূন্না মেদল তরেৎ লৌবা ঙমখিবনি। গোল্ড মেদল অদু চহী ১৭ মখাগী কেজি ৩৬ কী কাঙলুপ্তা এল নুংশিথোইনা গোল্ড মেদল লৌখি। চহী ১৪ মখাগী কেজি ৩০ গী কাঙলুপ্তা ঐচ রিসিকান্তনা গোল্ড মেদল ফংখি।

ঙরাং ফংখিবা শিলভর মেদল অনী অদু অসেম নিসিতানা নুপীগী চহী ১৪ মখাগী কেজি ২৫ গী কাঙলুপ্তা অদুগা ৱাই য়োহেনবনা চহী ১৪ মখাগী কেজি ২৫ গী কাঙলুপ্তা ফংখি। ব্রোঞ্জ মেদল অহুম অদু বাবুমচানা চহী ১৭ মখাগী কেজি ৪০ গী কাঙলুপ্তা, মতৌনা চহী ১৪ মখাগী কেজি ২৭ কী কাঙলুপ্তা অদুগা এম রোসিবিনানা চহী ১৪ মখাগী কেজি ৪০ মখাগী কাঙলুপ্তা ফংখি।

HL-B/3662/9,11,13,15....




# ষ্টেফন কোনষ্টান্টিননা মতম খরগী ওইনা ইন্দিয়া অন্দর-১৭ ফুটবোল স্কাদকী দাইত্ব পুখ্রে




ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ১৮ : ইন্দিয়াগী হেদ কোচ ওইনা থৌ পুরিবা ষ্টেফন কোনষ্টান্টিনবু চহী অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপকীদমক লৈবাক অসিগী অন্দর-১৭ স্কাদ শেম-শারিবা অসিগী য়েংলগা মতম খরগী ওইনা দাইত্ব পুনবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না খঙহনখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) গী সোর্স অমগী মতুং ইন্না হৌজিক কোনষ্টান্টিননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা গোৱাদা চৎলগনি অমদি মফম অদুদা থাংজ নুমিৎ ফাওবদা লৈগনি। ওইরক্লিবা দিভলপমেন্ট অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী সেনিয়র টিমগী কোচ অসিনা কম্মেন্ট অমত্তা পীবা তৌদ্রি।

মসিগী দিভলপমেন্ট অসি পাউগী এজেন্সি অমনা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা জর্মনগী কোচ নিকোলাই অদামনা মহাক্কী ফমদগী থাদোকখ্রবা মতুং ইন্দিয়াগী অন্দর-১৭ টিমবু শেম-শাবদা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়না কোনষ্টান্টিননা ফোঙদোকখি হায়না রিপোর্ট তৌখিবদগী ওইরকখিবনি।

এ আই এফ এফকী সোর্স অদুগী মতুং ইন্না এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট প্রাফুল পটেলনা কোনষ্টান্টিনদা চয়োল অমগীদমক গোৱাদা চৎনবা শগোলশেল নুমিৎতা খঙহনখি হায়বা খঙলে হায়রি।

ফেদরেসন্না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) গা পুন্দুনা অনৌবা কোচ থিনবগীদমক থবক পায়খৎপা হৌখ্রবনি অদুবু মসি অথুবা মতমদা পাক হেক ওইথোকপা য়াবগী ফীভমদি লৈত্রি। অদুমকপু অন্দর-১৭ স্কাদ অসি গোৱাদা চয়োল অমগী মমাঙদগী ট্রেনিং চথবা হৌখ্রবনি।

হান্নগী সাউথ অমদি সেন্ট্রেল এসিয়াগী ফিফা রিজনেল দিভলপমেন্ট ওফিসার শাজি প্রাভাকরননা হায়, কোনষ্টান্টিননা মতম খরগী ওইনা কোচকী থৌ পুবনা নুপামচাশিংবু মোটিভেট তৌবদা চাউনা মতেং ওইগনি। মহাক্না ট্রেনিং মফমদা লৈবা মতমদা নুপামচাশিংবু মোটিভেট তৌগনি হায়না ঐনা খল্লি। সুনিল ছেত্রিগী কোচ ওইবা মীওই অসিনা মখোয়বু ট্রেনিং পীগনি অমদি নহা ওইরিবা নুপামচাশিং অসিনা কনাগুম্বা অমবু মখোয়গীদমক য়েংলিবনি। এ আই এফ এফনা মতিং লৈরবা অমবু শিজিন্ননবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাংবু থাগৎপা অমদি অপেনবা ফোঙদোক্লি হায়না মহাক্না হায়খি।

HL-B/3673/17-22/2



Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.

